# ‘মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিনা নম্ফু-হাফু তৌদুনা ইন্দিয়াদা হেক পুনখিবদগী ইরৈবাক ইরমদমগী অপূনবা ঙমখৈগী শরুকসি মচেৎ তানা কায়খিগদরা হায়বগী চিংনবা অদুমক ফাওদুনা লাক্লি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনবা কয়ানি থেংনরক্লিবসি। শীংনবশিং অদু ইরৈবাক ইরমদম্বু নুংশিজবা মীয়াম্না পূন্না থেংনমিন্নদুনা লাক্লি। তুংদসু থেংনখিগনি। পীক্লবা ইরমদম মণিপুরনি, ফূরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নরিবনি। লৈখল শুনা শাৎলিবা লৈকোল অমগা প্রমান তৌনরিবনি। পীক্লবা ইরমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপশিংনদি কনানসু অপূনবগী শক্তমসি কায়হনবা পাল্লোই। ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ গী ৱাখল্লোন্দা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পাল্লমগনি। অদুবু য়াদে মণিপুর থুগায়নবগী ৱাফম মখোয়গী ওইবা হোমলেন্দ অমদা হেক্তা লাকই। হন্দক্কী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা তাল্লক্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনদা ‘য়ুনিয়ন টেরিটরি ৱিথ লেজিসলেটর’ হায়বা দিমান্দসিদি মণিপুর মীয়াম্বু শীংনদুনা মণিপুরবু পুমথু থুগায়নবগী খোঙজংনি।

করিগুম্বা লৈবাক অমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্লগা খুন্দারবা হায়বসিদি মীওইবগী পুৱারীদা ঐখোয়না উদুনা, থেংনদুনা লৈরবনি। লাকখিনি, পুল্লরনি অমত্তা ওইখিনি, য়ুনিটি অমা শাগৎমিন্নখিগনি। মসিগী মীওইবা খুন্নাইগী চৎনবীসিগী ৱাংমদনি মণিপুরদা খুন্দাররিবা মখোয়না লমদমসিগী ঈশিং নুংশিৎতা পুনশিনখিদুনা লমদমসিগীদমক্তা থৱায় থাগে হায়বগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদা লমদমসিগী মপাল তাংনা হিংখ্রগা লমদমসিবু থুগায়নবা হোৎনরিবসি। কুকিশিংগী তোঙানবা টেরিটরি অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা ফংহনবীয়ু হায়না তাল্লগা লমদমসিবু ‘পোপিলেন্দ’ ওন্থোক্কে সিনি মখোয়গী ৱাখল্লোন। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী মীয়াম্না মখোয়গী পেন্দবশিং অমসুং দিমান্দ লৈঙাক্তা ফোঙদোকপা, তানবা হায়বসিদি মহৌশানি। মদুগী মরুমদা মীতৈ মীচম মীয়ামগী মরল-মথুম মৎপা, য়ূম মৈ থাদুনা তান্থোকপীবা, থেংনা-থেংনবা মীতৈশিং মীনুংশি য়াওদনা হাৎপীবা মসিদি অয়ৌবী থাক্কী টেররিষ্টকী থৌওংনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা চহী লিশীং অনী হেনবগী তশেংলবা হিষ্ট্রি লৈরবা মীতৈ সিবিলাইজেশনবু শীংনবনি। মসি মীতৈ কনানসু মখোয়বু ঙাকপীবা ঙম্লোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এপিয়রমেন্ট পোলিসিদা ঙাওরিবা মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবা তৌবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তূমিন্না য়েংদুনা লৈবসিদা জঙ্গলদা ময়াই কারবা শামু লমশা হায়বদু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা ওইরি। মখোয়না নমদুনা থোকহনখিবা লানসিনা মরম ওইদুনা মীতৈ কয়া লাঞ্জেন্নরে, হিংবগী ৱাহন্থোক য়াওদনা হিংহল্লে। কুকিশিংগীসু লাঞ্জেন্নে অদুবু খেন্নবদি মখোয়না ইম্ফালদা লৈরম্বশিংদুদি অহেনবনি। মখোয় মশাগীদি মখোয়গী খুলদা য়ূম লৈনবা ঙাক্তনি।

মশাগী মরমদমদা লাঞ্জেন্নবা ইংরাজিদা ‘ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেসদ্ পর্সন’ হায়রিবা মিংথোলসিবু কনানা পাল্লমগদৌরিবনো। লাঞ্জেন্নহল্লিবা কাঙবুদুদা লমন খুমগে হায়দুনা হুইয়েন লানশিংনবসু য়াদগুম তৌবা, ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তৌরিবসিদি খাম্ফু হায়দুনি। প্রসিদেন্টস রুলগী চীফ সেক্রেটরিনদি মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা লাঞ্জেন্নরিবশিং অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহনবা (রিসেট্টলমেন্ট) গী থবকশিং মপূং ফানা তৌগনি লাউথোকখিবনি। মমিংতগী ওইনা তৌরগা লোইখ্রে, চহীসু হৌখ্রে। হৌজিক্লা চৎলিবা চহীসিগী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা আই দি পি ৪০,০০০ খুন্দা লৈতাহনগনি হায়রক্লি। মসিবু ওইথোক্কদৌরিবরা। মীচম মীয়ামগী ৱাহংনি। হিংচাবীনা শরি শোনববু থাজসিরা থাজরোইসিরা, মতমদি অসুম হৌখি। লাকখি-চৎখি কুমগী হরাউ কুম্মৈ কয়াসু, চৈনাতনি মখোয়না পীরম্লিবদি। লাঞ্জেন্নরিবশিংগী মফমদা নুংতি নুমিৎ খুদিং, পুংজা খুদিং হংলিবা ৱাহংনি। ঐখোয়বু করম্বা নুমিৎতা ইশাগী খোইরি নাওফম তাফম য়ুম্ফমদা হঞ্জিনবা ফংগনি হায়বা ৱাহংসি। ঐখোয় মীতৈশিংসি মপী-মপা লৈতবা ফূরুপ হায়বদু ওইরে। ঐখোয়না খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা লমদমসিদা লৈঙাকচবসু ফংদ্রে। প্রসিন্টেকী শাসননি। অমুকসু লৈরিবা প্রসিদেন্টস রুলসিগী মমাঙদা লৈরম্বা ষ্টেট লৈঙাক্তুনবু করি তৌরম্লবগে। থোরকখিবা ঈরাংদুসু মতম চানা লাকশিল্লম্লদবু ঙসি অসুক য়াম্না ৱানরিবসিবু ৱানরমখিদ্রা। হৌজিক চলাইরিবা প্রসিন্টেস রুল চহী অমা শুজিল্লক্লে। মফম মতম্না প্রসিদেন্টস রুল চহী অমদগী হেল্লরোই, ষ্টেট লৈঙাক অমা মেজোরিটি ওইরিবা বি জে পিগী পার্টিদগী লাক্লনি হায়নরি। অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লনি হায়নরক্লিবসি ফনদি কুইরে। প্রসিদেন্টস রুল থমখিবদগী থা অমা ফাবাৎত্রিঙৈদগী হায়নরক্লবনি। অমুকসু প্রসিদেন্টস রুল মমাঙদা লৈরম্বা ষ্টেট লৈঙাক্তুগুম্বা অমা লাক্লগদি করিবু অওনবা পুরক্কনি হামু-হামুনি। লৈরিবা রুলিং পার্টিগী এম এল এশিংগী মনুংদা মখোয়না য়ানবা লুচিংবা অমত্তসু য়েৎনবা লৈতনা খনবসু লৈতে। সেন্টরগী লিদরশিংনা খল্লকপদু য়ারে হায়না লৈরি। পোপী পান্বী লৈ ফজবগীদমক্তা থাবনি হায়খিবা চুড়াচান্দপুরগী এম এল এ, এল এম খৌতে মণিপুরগী সী এম ওইনা খল্লক্লবসু অদুম য়াবগী মওংনি লৈরিবসি।

ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা ফীভমসিদা সুম চত্থরবদি মীতৈশিংগী তুংগী ফীভম য়াম্না লুরি। কাশ্মীরী পণ্ডিটশিং কাশ্মীর তম্পাক্তগী পামদা পামদা মশাগী হৌরকফম থাদোক্তুনা চৎখিবগী থৌদৌদু মীতৈশিংদসু নোংমদি মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবগী ফীভম লাক্কনি। মদুগী খোঙথাংদি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌখ্রেদনা। চুড়াচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপীনচিংবা মফমশিংদা হঞ্জিনবগী থাজবা করম্বা মতমদা উরিবগে। অমুকসু হঞ্জিল্লোদি হায়নি অদুগা বোমগী লাংদি থাক্লমনি। মমিংতগী ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেশন তৌনি। মীফা-মীপুনগী পাউসু লৈরোই। পাইপ বোম খরা ফারে সিমঙাই। মতাংসিদনি ঐখোয়না খনখিবা মীহুৎশিং, এম এল এশিং কদাইদা চৎখ্রবগে হায়দুনা মোইবুং খোঙদুনা থিনরিবদু। মখোয় অয়াম্বনা মখোয়সি ষ্টেটসিগী লো মেকরনি হায়বা কাউবগী থৌদৌনি ঐখোয়না উনরিবসি। ওল্ড এজ পেন্সন য়েনবা, চেঙ য়েনবা, খোংবান শেংবনচিংবদু মখা থাবশিংদা ওর্দরতৌরগা তৌজখিগদবনি হায়বা কাউজরিবা মীহুৎ কয়ানি ইরমদমসিদা। হৌজিক্লা অমুক লৈঙাক শেল্লনি কুইররোই হায়বসিদা নুংতিগী পাউনিলখোল ওইদুনা লৈরে। অসোমদনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগায়নবা লাল্লোং কয়া য়াৎপা লেপ্তুরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লুচিংবশিং কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌনীংবতা তৌবদা করিসু থিংদ্রি। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লাউরি কুমজা ২০৪৭তা ‘বিক্সিট ভারত’। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবগী চহী চাম্মা মপূং ফারকপদা মপূং ফানা চাওখৎলবা ইন্দিয়া অমা, মতমদুদদি ঙসিগী মওং অসুম্না সুম চত্থ্রবদি মীতৈশিংনা ওইহৌগনি ‘ষ্টেটলেস পিপল’।

লোইশিল্লকপদা মণিপুর থুগায়নবা লৈজবী থাক্তা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হোৎনরি। ওইদা-পাদা কয়া তৌদুনা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কীঅমসুং মপান লৈবাক্কী পূক্লিং চিংশিন্নবা মখোয়গী মায়কৈদা লেপ্পীরক্লবা হোৎনরি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীবিয়ু হায়দুনা রেল্লিকাসু চৎলি। মতাংসিদা মণিপুর কায়হন্নীংদবা অমত্তা ওইনা চাওখৎমিন্নদুনা লৈমিন্নবা পামজবা মীতৈশিং অমসুং লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপশিং অমত্তা ওইনা কোক চুংশিনমিন্নদুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু থেংনমিন্নবা তাই। লৈবাক কন্ননবা লৌমিন্নখিবা ৱাশকশিং মরা চেৎশিলহনবা তাই হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ঈহৌ খুদিংমক্তা লুচিংবনা ‘ফমথোল’, খোঙলোয়না ‘মিংথোল’ ফংই

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



অপাম্বগী পোলোয়সিবু লান হায়বসিনা ওইবরা? ৱাহং অসি মালেম অসিগী মপু ওইরিবা মীওইবা খুদিংমক্না হংবা মতম ওইরে। লান হায়বসিগী মহয়দি মাঙজবনা শঙবাই, অতোংবনা মেরুক ওইবগী খুদম মীওইবা খুদিংনা খঙলিবনি। অপাম্বা থিবশিংনা লুচিংবীদুনা ৱাখল মরাং কায়দনা মীওইবশিংবু খোঙলোয় শেল্লগা ঈহৌশিংগী মাঙ অমদি তুংদা চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নখিবা ঙাক্তনি। ইচম চমজবা মীওই কয়াগী থম্মোয়বু ফজরবা ৱাহৈনা থাজহন্দুনা ফংবা ঙম্লোইদবা লম্বী অমদা হুমদুনা পুবিখিবা ঙাক্তনি। খোরি লাংবশিংনা মালেম অসি মীওবগী অমখক্তা ঙায়রবা য়ূমনি হায়না শৈথারবসু মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা মপুগী মিংথোল তাল্লিবশিংনদি অহিংববু অশিবা নুমিত্তুদা পুদুনা চৎলি। মীখা পোনবা নৎত্রগা মীপান তাংবা হায়বা তানীংদবা ৱাহৈশিং অসিনা হিংবগী মহাওতবু তংজনীংবা মীচম মীয়াম্বু পুদুনা চৎলি। মথৱায়বু মরাইবক্তা থেৎচিনবীরগা নোংদম্বনা থাবা মশাগী মপোকপু লমখাংদা পোলোই ওইহল্লি। মৈগুম্না পোকপা অশেম্বা ৱাহৈশিংনা মীচমগী থৌনাবু মপান থোকহনবদগী অথৌবা মিংথোল ফংবা নুমিৎতুফাওবদি লুচিংবা মাগী ফমথোল ফংনবা হোৎনখিবা ঙাক্তনি।

ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা তুক্কচরবা ৱাথোক অসি তিন য়োৎলগা য়েংবীয়ু। লুচিংবশিংদুনি ফম মুন্নরিবা। ফমথোল মুন্নরিবশিংদুননি মংফম কয়া শেমখিবা। ময়ূম কয়া তাঙ্গোই ওইহনবীখিবা। মশাগী শম্পতিবু তেমথোকপীখিবা। মথৱায়গা মরৈবাক্কা মন্তিক্লখিবা। শেৎন-খায়নবগী মীকপ মীরাওখোলনা মফম খুদিংদা নিলদুনা লৈহৌবা। পু-পাং শুদবা মচা কয়াগী মরাইবক শেমখিবা। অথৌবা মিংথোল হায়বসি ফমথোল ফংলবশিংগীদি থৌরম পাঙথোক্লবা ওইহৌগনি। কায়নবগী মাঙজখ্রবা ইমুং-মনুংগী থম্মোয়দি লায়েংবা খুদিংগী পিগী ঈচাও থোক্কনি। মহয় অসি ফংবদা তোংজরিবসি ফম্নাইবা মহাক্তনি। অথৌবদুগী ইমুং-মনুংদি পুমলোই লোইরবনি। মাঙজবগী পোলোয়বু অথৌবা মিংথোলনা মহুৎ শিনবা য়াব্রা?

কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী থৌদোক্লা মীওই লাখ কয়া অৱাফমদা তাহল্লে। ৱাথোক অসিগী হৌরকফম লুচিংবশিং অদুগী মচা মশুশিংদি অথৌবা মিংথোল ফংনখিবরা? তোখায়বা লমদম, তোখায়না লৈঙাক ফংগনি খঞ্জবা মীয়াম্না করিবু ফংবা ঙম্লবগে? তোখায়বদু ফংলবসু লুচিংলিবশিং অদুগী ফমথোলতনি লায়রবা মাগী মীয়ামদুনা উবা ফংগদবা। লুচিংবা মহাক্কী ফমথোল ফংনবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা ওইখিবা লায়রবা চমজরবা মচা মশুশিং অদুগী শক্তমদি অহিংবা ওইনা অমুক হল্লক্লরোই। মীয়াম অদুনা ওইবা য়াবা য়াদবা করিসু খলহৌদে। মঙ-হাগুম্বা ঈহৌ অদুনা থাজখিবা পান্দম অদুদি ফংবা ওইথোক্রে। মীয়াম্না হংবীয়ু নখোয়না ফংগনি থাজহল্লগা ইচাশিং ইনাওশিংগী মথ্বায় পুখিবদু ঙসি নখোয়না ফমথোল ফংলগদি ইচাশিং ইনাওশিংগী মথ্বায়দু অমুক ঐখোয়দা শিন্নবা ঙমগদ্রা?

তুংগী মীকপ মীরাওখোল তাদনবা লম্বীদা চৎপা হৌবা মতম ওইদ্রিবরা? ঊচি কল্লক য়ূম মৈ থাবগী থৌদৌ তোকপা মতম ওইদ্রিবরা? মঙগী ৱাবু তাইবঙদা থাজবা হৌনবরা? ৱাহং হংবসু পাউখুম পীবসু হৈবা মতম ওইরে। মীওইবা হায়বসি শিবা নায়বা থৱায়নি খন্থনবা মতম ওই। ফংলোইদবা পান্দম অমগীদমক নকন্থিনা নরল ফোইদৎপগী থৌদৌ তোকপা তাই। নোল্লুকপা, থকসি-খাসি লৈত্রবদি নুংশিবা লৈরোই। নুংশিবা লৈত্রবদা অফবা খুন্নাই লৈরোই। অফবা খুন্নাই হায়বদু লৈত্রবদি লেঙদবা মালেম উবা ফংলোই। লাল্লবদি লাল্লে হায়বদা পন্থবীরোইদবনি। নোংমৈ কিবদগী লাল্লি খঙলবা লম্বীদা চৎপা তোক্তবশিং শিবগী নুমিৎতু নত্তনা নুংঙাইবা পন্থুং কৈদৌনুংদা থেংনরোই। মাঙ থাদবা ইনশিনবা হৈবশিংনা লুচিংদুনা চত্থরিবা লমদমসিগী ৱাথোক অসি চুঙ্গোইগী থাক্তগী হেনদ্রিবা মীয়াম্না ৱাখল মমায় চুমহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি কোঙ্গোলগুম মুৎখিবদা মিৎকুপ ফাগদবা ওইদে।

পোলিটিক্স হায়বসি খ্বাইদগী ফবা লৈঙাক্লোননি। অদুবু পোলিটিক্স করিনো খঙদনা পোলিটিক্সকী লাংদা থুখ্রবদি অমুক হন্না নান্থোকপা ঙম্লোইদবা লাংনি খঙমিন্নরসি। য়েংবীয়ু, হৌজিক্তি লুচিংবশিং অসি মানা মানা পামজখিবা ফমথোল তান্নবদা মমায় ওনশিন্নখ্রে। মীচম মীয়াম করি তৌবা ঙম্লিবগে। য়োৎলি মখোঙ খিংবগী মখোল তাখিদরে। লুচিংবশিংনা পামজরিবা ফমথোলশিংবু ফংখ্রবদি সোশল মীদিয়াদা উররোই কুকিলেন্দ মীতৈলেন্দগী পাউজেল। মীয়ামসে য়োংগুম্না ঙাইহাক ঙাইহাক্কী সরকসকী রিংদা চোংহনবা অদুনি করম্না হায়রোই। শেলনা চাকনা লোইনা মেনখিনি। শেল পায়বনা লুচিংবা ওইবা লমদমদা ৱাথোক খুদিংগী ৱায়েল ফংলোই। থবক লৈতবদগী ৱাথোক শেম্বা ওইনা থোক্লি। লানগী মহুৎতা থবক ওইনা শুরসি। নোংমৈগী মহুত্তা য়োৎপাক, লাঙ্গোল পায়সি। নিশাগী মহুত্তা চীঞ্জাক ওইনা থারসি। নুংশিনবসু লৈনি। চীঞ্জাকসু লৈনি। থৱায়সু মাঙলোই। ঙমখৈসু মাঙলোই।

চীং-তম অনীগী নুংশিবা পুৱারীনা শেমগৎলক্লিবা লমদম অসি চীংলোন ৱাংমদগী নিশাদা তোংলগা লাকখিবা মীওই খুজোক খরনা কাং খোং চাইহল্লিবনি হায়বসি খুন্দারিবা মীপূম খুদিংনা খঙমিন্নবা চংই। মসিবু খঙশিন্নদ্রবদি পেম্মা নঙসু ঐসু পুমকং হায়বদু তাদুনা তোক্লনি। ঈশিংনা কংলবদি ঈশিংগী জীবশিংনা হিংদুনা লৈবা ওইথোক্তবগুম মীয়াম্না মঙফমদা তিনখ্রবদি ফম্নাইবখক্তগী লমদম ওইহৌবা ওইথোক্তবনি। মালেমদা লাইচৎ ওইনা শন্দোরক্লিবা লুচিংবা থাজদবগী লাইচৎ অসি লমদম অসি য়ৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লুচিংবা হায়বসিসু শিবা নাইবা থৱায়নি খন্থবা চংই। অপাম্বা ফংনবা পঙলবা মীয়ামদা লান্না লমজিংবা তোক্কদবনি। মীয়ামদগী হেনবা শক্তি লৈতে হায়বা ফম্নাইবশিংনা কাউবীরোইদবনি।

মালেমগী মচি-মচি খুদিংদা থোক্লিবা লান অসিনা পাড়া ওইরগা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীয়াম মিৎকপ থোক্লসি। তোংজৈ মরীলদা শামু লিৎহল্লু হায়বগী নিঙাই খূৎতৌ তৌনদুনা লোইশিনবা হৈত্রবা ৱাথোক শেম্বা তোক্লসি। ওইরোইদবা মঙ মঙদুনা চাওখৎপা হৈতবা মীওইবা ওইরগা করি কান্নগদগে। ২১শুবা চহীচাদা খ্বাইদগী চাওখৎত্রিবা শামরক-ঙামরক্কী মীওইশিং খন্দোক্তুনা তংদু লৈতাবা লমদম অমা য়েলহৌ ময়াম্না শেমিন্নরসি। ●

# মাইবম ইবোবীগী ফিদম্নীংঙাই ওইরবা লন

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ইম্ফাল সহরদগী য়াম্না লাপ্পসু নত্তবা কৈশাম্পাৎতগী ইরোইননা চৎখ্রিবা মীয়াম্না টিদ্দিম লম্বী হায়নসু খঙনবা নেশনল হায়ৱে অমা ওইরবা কৈশাম্পাৎতগী মথং-মথং ক্বাকৈথেল, মালোম, নম্বোল, ওইনাম, কৈনৌ, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং, থম্নাপোকপী, মোইরাং, তোর্ব্বুং চৎখিবনা মিজোরামগী কেপিটেল আইজোল য়ৌখিবা লম্বীনি। ইন্দিয়াগী রেলৱেনা মফম খুদিং শমজিন্নবা হোৎনরবসু ২১শুবা চহী চা অসিগী মতম ফাওবদা মণিপুরগী কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফাল য়ৌরকপা ঙমদবনা চানবা-থক্লবা, শেৎনবা, হিংবদা শীজিন্নরিবা পোৎকী মমল খুদিংমক অতিয়া পক্লা ৱাংই। হিংদবদি য়াদবনিনা ঙম্না-ঙম্নবা হোৎনদুনা হিংবা তাই লমদম অসিগী মীওইশিংনা। মী মখল য়াম্মী, অথাপ্পদা উরিবা চীংদা মফম অমগা মফম অমগা মান্নদে। হৌরিবা উপাল-ৱাপাল, শাৎলিবা লৈ, পাল্লিবা উহৈ-ৱাহৈ, উরি-ৱারি অমত্তা মান্নদে। উমংদা লৈবা শা-উচেক ফাওবা মফম অমগা অমগা মান্নদে। উচেক লাংমৈদোংনা টি দি লম্বীগী কৈলাম চীংজাওশিং, লোক মপান্দা হৌবা অৱাংবা উপালদা শৈদাংদুনা মাগী পূন্সি হিংই। থাংলোন চীংগী লোক অমদি লোকচপশিংদসু উচেক লাংমৈদোং অয়ূক নুংথিলগী মতমদা হৌরিবা অৱাংবা উপালশিংদা তোংদুনা লৈ। ইম্ফাল মোরে লম্বীদা তেংনৌপালদগী খরা চৎলগা য়েৎ থংবা লম্বীদা হাইজিনখিবা মোলতুক তাবা লম্বীশিংদা ৱাহোংগী মশক মানবা ৱাবা কৌবা উচেকশিংনা লম্বীশিংদা চাকতাবা থেংনৈ। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী নাক য়েৎশিংদা হৌবা হৈরিৎ পাম্বীদা শওমশিংনা কাদুনা হৈরিৎ চাবা, লময়েন কয়ানা লম্বী মপান্দা শঙ্গু-শঙ্গু চাক্তারম্বা, মাগী মাগী লৈফম চাফমগী খুদোংচাবা য়েং য়েংদুনা জীব খুদিংমক্লা শৈদাংফম লৌনবা ঙাক্তনি।

মতম অদুগী পোইনু লৌ লোকপা লোইখ্রবা মতুং লৌবুক লম্মাং কয়াদা ষণ শঙ্গু-শঙ্গুশিংনা অশং অমান থি-থিদুনা মবুক থন্নবা হোৎনবা, ঈশিং লৈবা পাৎপান ময়াদা ঈরোইশিংনা অশং-অমান চাবা, ঈশিং খরা তুংবা অকুৎপা কোমশিংদা লৈওনবা, শগুপ শায়দুনা চাখিবা অশং-অমান অদুগী মহাও লৌবা কয়াদু ঙসিদি ঙম্নমক উখিদ্রে। শমোক ষণগী শঙ্গোম, ঘী মিৎয়েংদগী তামখ্রে। মীতৈ শুমাং খুদিংদা থোলা শাদুনা ষণগী শঙ্গোম, ঈরোইগী শঙ্গোম মথং-মথং লোনখৎলগা শঙ্গোম অফম্বা পুথোক্লম্বা উবা ফংখিদ্রে, চাবসু ফংখিদ্রে।

শমোক শঙ্গোম চারকপা, ৱাইথৌগী ঙমথই, খোইদুগী ঙামু, লোক্তাক পাৎকী ঙাক্রা, লৈতাং তুরেলগী শরেং, য়াংগোই তুরেলগী ঙাশেপ, খেলাখোংগী ঙাতোন তোলাবা, পুমলেন পাৎকী পেংবা, খাবক চাদুনা নাওয়োক নাওকোল্লকপা শাম্বা পাঙ্গলবা মপারি মমোম কয়াদু মরিংজেল মথৌনা লৈবা ধর্ম্ম চেনবা ইচা-মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইবগী মমি ইতা তাদনা চাং ৱাংনা খুন্দা লৈতারম্বা ষ্টেট মণিপুরনি। সনা পাৎকী পাৎয়াইদা উত্রা পাৎকী অরংবা ঈপাক্তা চাক্তারিবা পেংবা খাবকপু মিৎয়েং থল্লিবা উমাইবী, ককয়েলনা নোংমদোল অতিয়াদা কোইনা কোইনা পাইরম্লগা থৌরবা খুজিলনা ঈয়াই থক্তা শান্নরিবা লেমলৈ ঙাবু ফাদুনা পুখ্রগা তেরাপোকপী চীংমাইদা হৌরিবা তেরা পাম্বীগী মহুমদা লৈহৌরিবা মচাশিংনা ময়া কাদুনা মমা লাকপা ঙাইরিবা কয়াদুগী অরাম্বা খৌরাংবা কোকহনখিবদুসু উখিদ্রে। পোইনু লৌখাও তল্লিঙৈ তেনৱা শঙ্গু-শঙ্গু পাইরক্লম্বা পাইরকখিদ্রে। মসিদা নত্তনা চীংজিল লৌপাল থাদা ঙানু তিংলি থঙ্গোং কয়ানা অতিয়াথক্তা পাইরম্বা, উথুম খোঞ্জেল ঙম্নমক তাখিদ্রে। পুদুনা চৎখ্রে মতমগী অহোংবনা, চেন্থখ্রে মতমগী ঈচেলনা পুম্নমক মতম মাগী খোঙচৎনি।

নম্বোল ফোইজিং চীংগী চীংনীং ইবুধৌ খোরিফাবা অমদি ইবেনধৌ চংনীং লৈমগী মশাইকোন্দা মাইবম ইবোবী কুমজা ১৯৪৫গী ওক্টোবর ৫, লাংবন থাগী ২৮নি পানবা ইরাই নুমিৎতা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মহাক মাইবম রিতু সিংহ অমদি নোংমাইথেম নিঙোল মাইবম ওংবী চিগোংলৈ অনীগী মপারিনি।

মাইবম ইবোবীগী মচিল-মনাও ৯নি। পূন্সিগী অঙনবা মতমদা ফোইজিং চীংনিং কোন্থৌজম এ সীগী খাদা খা জিরি, নোংপোক্তা ইবেনধৌ চংনীং লৈমা চীং, অৱাংদা থাংতেক হৈক্রুজম, নোংচুপ্তা অৱাং জিরি অদুগা খুনয়াইদা নম্বোল তুরেলনা খা পাংনা চেনখিদুনা সনাপাৎ, উত্রা পাৎ অনীবু নোংপোক নোংচুপ য়েৎ-ওই থম্লম্লগা ইশোক চীংফু ফাওদুনা লোক্তাক ঈশায় মাপলগী ইতিনফমদা তিনখি। নম্বোল ফোইজিং চীংনিং এল পি স্কুলদা ক্লাস ৱানদগী টু ফাওবা তম্লকখি। মথংদা নম্বোল হায় স্কুলদা ক্লাস থ্রীদগী টেন ফাওবা তম্লকখি। কুমজা ১৯৬৪দা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজাম মায় পাকখি। মথংদা ইম্ফাল কোলেজদা পি য়ু সী তমদুনা মায় পাকখি। মথংদা ওরিয়েন্টেল কোলেজদা বি এ তমদুনা দি এম কোলেজগী খূত্থাংদা বি এ লোইশিনখি। মতম অদুদা ওরিয়েন্টেল কোলেজ মশাগী ওইনা মরোমদোম লেপ্পা ঙমদবা মতম ওইদ্রিঙৈনি। কুমজা ১৯৬৯গী জুলাই ১দা মণিপুর হোম দিপার্টমেন্টতা পুলিস কন্সটেবল ওইনা চঙখি। পুলিস দিপার্টমেন্টকী মথৌ মরক্তা নুমিদাং কোলেজ তমদুনা কুমজা ১৯৭২দা বি এ লোইশিনখি। কুমজা ১৯৭৯দা এল এম এস লো কোলেজদা এল এল বি লোইশিনখি। মতম অদুগী পুলিস কন্সটেবল অমগী থাগী তোলোপ শুপ্পতগী লুপা ১৩০ খক্তনি। মাইবম ইবোবী চীংঙাখম নিঙোল শৈলানি লৈমগা য়ুম্বানমিন্নদুনা মচানুপা ২, নুপী ৪ লৈখি।

হায়নবা লৈ শবম-শবমনা পুই হায়বা অদু অশেংবনি। মাইবম ইবোবী পুলিস কন্সটেবল মরক্তগী হবিলদারগী কেদরদা অহানবা ফম কনবা ঙখি। কুমজা ১৯৭৯দা হবিলদার ওইরে। মথংদা ১৯৮৪গী এ এস আইগী কেদরদসু অহানবা ফম কনবা ঙমখি। অসুম্না মণিপুর পুলিস সর্ভিসকী ২০০১গী জুলাই ১দা থবক্তগী ভোলন্টরি রিটাইয়র্দমেন্ট লৌখি। ১৯৯২দা এস আই ওইনা প্রমোশন তৌরবসু খ্বাইদগী তমজনীংঙাই ওইবা অমনা পোষ্টিং নুংঙাইবা থিবা হায়বসি মাগী পূন্সিদা মমি তাখিদে। অয়াম্বা মতমদা রিদর ওইনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেশন, সেনাপতি পুলিস হেদ ওফিস অমসুং মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী এ দি জি পিগী ওফিসতগী ভোলন্টরি রিটাইয়র্দমেন্ট লৌখিবনি। মাগী মফমদা শেঞ্জা থুমজাগী মমি তাখিদবা, মথৌ মশক খঙবা পুলিসশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মাগী হৌখিবা পূন্সিগী তাঙ্কক্কী মতম হঙ্গৎনা য়েংলুবগী পাউদমনি।

লৈফম হৌফম্না মীওইবগী পূন্সিগী লম্বী লমতাকই হায়বসিমদি য়াম্না চুম্মী। অফবা দ্রাইভরনা মাগী হেন্দিমেন নীংথিজনা তাকপী তম্বীবা, অফবা ওজানা মহৈরোয়শিংবু নীংথিজনা তাকপী তম্বীদুনা মাগী তুংগী লম্বী লমতাকপীবা অয়াম্বনি। নোংমা মাইবম ইবোবীনা পুলিস কন্সটেবল ওইরিঙৈদা মণিপুর পুলিসকী অরংবা থৱান্মীচাক ওইখিবা খাগেম্পল্লি মচিন নম্বুল তুরেলগী নোংচুপ থংবদা লৈবা লাইশ্রম গোপালগী মতমদুগী সুপরিন্টেন্দেন্ট পুলিস ওফিসরগী য়ূমগী গার্দ ওইনা মথৌ তৌরম্বদা পুলিস ওফিসরদুগী ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা ফিদম্নিংঙাই ওইবা লমচৎ-শাজৎ কয়াদুনসু মাইবম ইবোবীগী পূন্সিগী অচুম্বা অশেংবা লম্বীদা চৎনবগী খূৎ থিন্দুনা তাকপা অমসু ওইখিদবা নত্তে। মাইবম ইবোবী হৌজিক নম্বোল খোরি লৈকায়দা লৈরি। ইন-সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা কেশ এৱার্দ অমদি এস পি সেনাপতিগী রেকমেন্দেশন ফংখি। মসিদা নত্তনা মণিপুর হিন্দি পরিষদ নম্বোলদগী বিশরদ ওইবা ঙমখি। ঙসি মশাগী চহী ৮০ শুরবা মতম অসি ফাওবদা অয়ূক অঙনবা অমদি নুংথিল নুমিদাংৱাইরমদা মহৈরোয় কয়া তাঙ্কক-তাঙ্কক নাইনা তাকপী তম্বীরি। মহাক্লা তাকপী তম্বীখিবা মহৈরোয় কয়া ষ্টেটকী অমদি নেশনলগী থাক্তা মফম অমমম কন্দুনা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, আর্মি, সী আর পি এফ অমসুং ইন্দিয়ন নেভিদা মাগী মাগী শিনফম পায়দুনা খুন্নাই অসিগী থৌগল তৌরি।

মী মখল য়াম্মী। লৌশিলহৌবা, খোমজিলহৌবা, পৈশিলহৌবা, ফজবা য়ূম শাহৌবা, গাড়ী মমল য়াম্বা তোংবা, ওইজ-ওইথক থিবদা হৌখিবা পূন্সিশিংদুনা কনা লাক্লগা কনানা মখোঙ শোক্লা খুরুম্বা য়াওরমগনি। ঙসিদি মীনা মীবু নমথবা, ঐ চাহৌগে, ঐ লৌহৌগে, ঐগী ওইহৌগে হায়বদুনা থিকাদার কয়া মীখল থেংনররে, ব্যুরোক্রেসি কয়া মীখল য়াওদুনা ওকপা নাইদ্রবা লন-থুম তাশিন্নবা হোৎনবদা মাগী মীয়াম্না হা-কার লাওদুনা খা-রাই খঙদ্রবা মীৎকুপ অসিদা লন-থুম, শক্তি মীহৌদুনা মীচম মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিবা কয়াদগী কনবা ঙমদ্রি। মীদি মীনা শেন্মী। অফবা অচুম্বা লুচিংবা য়াওরকপদা অমুক মীদি মীনা মাঙহন তাকহল্লি। মতিক চাদবা লুচিংবগী মায়খুম উপ্পা কয়া থোরকই।

মাইবম ইবোবী মচা-মশুগী মীৱা মৈশা লাংদনা ঈং-তপ্পা নম্বোল খোরি লৈকায়দা ঙসিসু হনবা নাইদনা মহৈরোয় কয়া তাকপী-তম্বীহৌরি। চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৫ ফাওবদা পীকপা চাউবা নত্তনা ফিদম্নফম ওইবা মীওইশিংগী লক্তা মাইবম ইবোবীসু অমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।